# পাকিস্তানগী মিলিটরি কোর্টশিং চহী ২ মথৌ তৌহল্লগা লোইশিল্লগনি



ইস্লামাবাদ, জন্যুৱারী ০৭:
টালিবান্না আর্মি স্কুল অমদা এটেক চথুদুনা অঙাং ১৫০ রোম হাৎখিবা শাথিরবা থৌদোক অমগী মতুংদা হার্দকোর মিলিটেন্টশিংবু থুনা য়াংনা ত্রাইএল চথুনবগীদমক্তা পাকিস্থান্না লিংখৎখিবা স্পেসিয়ল মিলিটরি কোর্টশিং মখোয়বু লিংখৎখিবা চহী অনীগী মতুং থাংজ নুমিৎতা থুপচিল্লগনি। পেশাৱারদা হৌখিবা কুমজা ২০১৪ গী দিসেম্বর ১৬ তা চথখিবা কিনিংঙাই ওইরবা থৌদোক্তুগী মতুংদা কন্সটিট্যুসন এমেন্দ তৌরগা কোর্টশিং অদু লিংখৎখিবনি।

স্পেসিয়ল মিলিটরি কোর্টশিং অদু লৈবাক অদুগী কন্সটিট্যুসন অমসুং ইন্টরনেসনল চার্টরশিংদা য়াওরিবা তঙাই ফদবা হ্যুমেন রাইটশিং খোঙ্গাওনবগী থৌওংনি হায়না রাইটস এক্টিভিষ্টশিংনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা খোঙথাং অদুগী মরমদা য়েৎনবা কয়া লাকখি।

অদুম ওইনমক সুপ্রিম কোর্টনা ২১শুবা কন্সটিট্যুস্নেল এমেন্দমেন্ট অমসুং পার্লিয়ামেন্টনা কুমজা ২০১৫ দা ইনেক্ট তৌখিবা পাকিস্থান আর্মি (এমেন্দমেন্ট) বিল, ২০১৫ চনহনখিবগা লোয়ননা কোর্টশিংদু ফঙ্কসন তৌহল্লন্মী। এমেন্দমেন্ট অদুনা কোর্টশিং অদু মথন্তা লোইশিনহন্নবগী ক্লোজ হাপচিন্দুনা কোর্টশিং অদু চহী অনী ফারগা লোইশিঙ্গবা য়াবগী ফীভম অমা লৈহনখি।

কোর্টশিং অদু চহী অনীগী অকক্নবা মতমগী মতুংদা লোইশিনবগী ফীভম লৈবনা গভর্ণমেন্ট নৎত্রগা মিলিটরিগী মায়কৈদগী মিলিটরিনা মীচমশিংবু ত্রাইঅল চথুনবগী এক্সত্রাওর্দিনরি পৱারশিং লৈহন্দ্রে হায়না ফোঙদোকপা নৎত্রগা লাউথোকপা চেরোল অমত্তা লৈখিদে।

মিলিটরি কোর্টশিং অদুগী মখাদা পীখিবা অহানবা কনভিক্সনশিংদু হৌখিবা কুমজা ২০১৫ গী এপ্রিলদনি অমসুং অরোইবা কনভিক্সনশিংদুনা হৌখিবা কুমজা ২০১৬ কী দিসেম্বর ২৮ দা লাউথোকখি।

চহী অনীগী মনুংদা কোর্টশিং অদুদা কেস ২৭৫ শিন্নখি অমসুং মখোয়না টেররিষ্ট ১৬১ শিবগী চৈরাক পীখি। টেররিষ্ট ১১৬ না খেন্নবা জেল টার্মশিং মরু ওইনা লাইফ সেন্টেন্সশিং পীখি।

আর্মিগী মতুং ইন্না হৌজিক ফাওবদা কনভিক্ট ১২দমক হাৎখ্রে। ত্রাইঅলশিং অদুদা তোঙান-তোঙানবা গ্রুপ কয়াগী টেররিষ্টশিংবু কনভিক্ট তৌখি, জেলদা থাজিনখি অমসুং শিবগী চৈরাকশিং পীখি।

স্পেসল কোর্টশিংনা মেম্বর কয়া মখল মখা কয়াগী চৈরাকশিং নংহনখ্রবা টেরর গ্রুপশিং অদুদি অল-কাইদা, টেহরীক-ঈ-টালিবান পাকিস্থান, জামাতুল অহরার, টৌহীদৱাল জিহাদ গ্রুপ, জাইশ-ঈ-মুহম্মদ, হার্কট-উল-জেহাদ-ঈ-ইস্লামি, লাস্কর-ঈ-জাংবি, লাস্কর-ঈ-জাংবি অল-অলামি, লাস্কর-ঈ-ইস্লামি অমসুং সিপাহ-ঈ-সাহাবানি।

মিলিটরি কোর্টশিংনা কনভিক্সন পীরবা মতুংদা হেং তৌখিবা মিলিটেন্টশিংদুগী মনুংদা পেশাৱার স্কুল এটেক্তা চেন্নখিবশিং য়াওখি।

মিলিটরি কোর্টশিংদা থারম্বা টেররিজমগী কেসশিং হৌজিক্তগীদি লৈবাক অদুদা হান্নদগী ফঙ্কসন তৌরক্লবা এন্টি-টেররিজম কোর্টশিংদা হিয়ারিং তৌরগনি।

হৌখিবা চহীদা প্রোটেক্সন ওফ পাকিস্থান এক্ট কৌবা অতোপ্পা এন্টি-টেরর লো লোইশিনখিবা মতুংদা স্পেসল কোর্ট সিষ্টেমদু লোইশিনখিবনি।

এন্টি-টেরর লো অসিনা মিলিটেন্টশিংবু কোর্টকী পার্মিসন য়াওদনা নুমিৎ ৯০ নি দিটেন তৌবা য়াহল্লি।

## দোনাল্ড ত্রম্পনা হেকিং তৌবনা মীখলদা ঈথিল অমত্তা পীখিদে হায়খ্রে



ৱাশিংটন, জন্যুৱারী ০৭ :
হিলারি ক্লিন্টনবু হ্বাইট হাউসতা লৈহন্দনবগীদমক্তা রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিননা সাইবর কেম্পেন অমা চথুখি হায়না মরাল শীবা ইন্টলিজেন্স রিপোর্ট অমগী মরমদা ব্রীফিং লোইরবা মতুংদা দোনাল্ড ত্রম্পনা ইরাই নুমিৎতা হেকিং তৌবনা য়ু এসকী মীখলদা ঈথিল অমত্তা পীখিদে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

প্রসিদেন্ট খল্লবা দোনাল্ড ত্রম্পনা রসিয়ানা মীখলদা খুৎ থিংজিনখি হায়বা ইন্টলিজেন্স কম্যুনিটিগী ৱারোইশিন রিজেক্ট তৌখ্রবসু মহাক্না মোস্কো অসি দেমোক্রেটিক নেসনল কম্মিটি য়াওনা য়ু এসকী টার্গেটশিং হেকিং তৌবদা চেন্নরম্বা য়াবগী ওইথোকপা লৈ হায়বসি য়াখি।

মকোক ওইবা ইন্টলিজেন্সকী চীফ মরি উনরবা মতুংদা রসিয়া, চাইনা অমসুং অতৈ লৈবাকশিংনা চথুবা সাইবর এটেকশিংনা য়ু এসকী ইন্সটিট্যুসনশিং, পোলিটিকেল পার্টিশিং অমসুং বিজনেসশিংদা অকিবা পোকহল্লি হায়বা ৱাফম য়ানিংবা ফোঙদোকখি।

তৌইগুম্বসুং মমাঙদা অমুক্তা থোকখিদ্রিবা মওংদা মোস্কোনা দোক্যুমেন্টশিং হেকিং তৌদুনা অমসুং লিক ওইহন্দুনা কুমজা ২০১৬ কী হ্বাইট হাউস পায়নবগী লমজেলদা ঈথিল পীনবা হোৎনখি হায়বা ইন্টলিজেন্স চীফশিংগী ৱারোইশিনবুদি মহাক্না হকথেংননা য়ানিংবা ফোঙদোকখিদে। ইন্টলিজেন্স চীফশিংগী অনৌবা রিপোর্ট অমদা ত্রম্পকী কেম্পেনগী ফীভম ফগৎহন্নবগীদমক্তা রসিয়নশিংনা থৌওংদু চথুখিবনি হায়খি।

‘রসিয়া, চাইনা, অতৈ লৈবাকশিং, মপানগী গ্রুপশিং অমসুং মীওইশিংনা ঐখোয়গী গভর্ণমেন্টকী ইন্সটিট্যুসনশিং, বিজনেসশিং অমসুং দেমোক্রেটিক নেসনল কম্মিটি য়াওনা ওর্গনাইজেসনশিংগী সাইবর ইনফ্রাষ্ট্রকচরদা খুৎ চঙশিন্নবা তত্তনা হোৎনদুনা লৈরবসু মদুনা মীখলগী রিজল্টদা করিগুম্বা ঈথিল অমত্তা পীখিবা লৈতে’ হায়না ত্রম্পকী ৱারোল অমনা হায়খি।

## ক্রুস চৎনরবসু সিরিয়াদা খুৎ থোক্লবদা মীচম ২ য়াওনা মীওই ৯ শিখ্রে

বৈরুট, জন্যুৱারী ০৭ :
লৈবাক শিন-থুংনা ক্রুস অমা চৎনদুনা লৈজরবসু হৌখিবা অহিংদা সিরিয়াগী কেপিটেল দামাস্কসকী মনাক্তা খুৎ থোক্লখিবদা গভর্ণমেন্টকী লান্মী তরেৎ য়াওনা য়ামদ্রবদা মীওই ৯ শিখ্রে হায়না মোনিটর অমনা থাংজ নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।



সিরিয়ন ওবজার্ভেটরি ফোর হ্যুমেন রাইটসনা হায়খি, দামাস্কসকী অৱাং নোংচুপতা লৈবা কেপিটেলগী মরু ওইবা ঈশিং থারকফম ওইবা রেবেলশিংনা পায়শিনবা ৱাদি বারাদা দিষ্ট্রিক্টতা থাংজ নুমিৎতা মখা তানা খুৎ থোক্লখি।

বৃটেনদা বেজ তৌবা মোনিটর অদুনা হায়খি, অহিংদা শোক্লখিবা লাল অদুদা য়ামদ্রবদা সিরিয়ন লান্মী তরেৎ শিখ্রে অমসুং অতৈ ২০ না শোকখ্রে। অশোকপা খরদি অরুবা ফীভমদা লৈখি। ঈলাল অদুদা মীচম অনীসু শিখ্রে হায়না গ্রুপ অদুনা ফোঙদোকখি।

ৱাদি বারাদাদগী দামাস্কসতা ঈশিং থাবগী থবক দিসেম্বর ২২ দগী লেপ্পল্লিবনি।

ঈশিং পীবদা অকায়বা থোক্লিবদুগী মতাংদা রেজিম অমসুং রেবেলশিংনা অমগা অমগা মরাল শীনখি। গভর্ণমেন্টগী মায়কৈদগী রেবেলশিংবু ঈশিংগী ইনফ্রাষ্ট্রকচরদা অতম্ননা হিট তৌই হায়না মরাল শীখি অমসুং ওপোজিসন্না অমুক আর্মিগী ওফেন্সিভনা ঈশিংগী পম্পিং ফেসিলিটিশিংদা য়ৈখাই থিনগায়বা থোকহনখিবনি হায়খি।

রেজিমগী মীচঙ রসিয়া অমসুং ওপোজিসন শৌগৎপা টর্কিনা ৱাতেমদুনা দিসেম্বর ৩০ দা লৈবাক শিন থুংনা ক্রুস অমা চৎনহনবা হৌখ্রবসু এরিয়া অদুদা মখা তানা খুৎ থোক্লবগী থৌদোকশিং থোকখি।

গভর্ণমেন্ট অমসুং মরু ওইবা রেবেল গ্রুপশিং অনীমক্না য়াখিবা সিজফায়র অদুনা সিরিয়াগী অয়াম্বা মফমশিংদা ঈংচিকপগী ফীভম লাকহনখি, তৌইগুম্বসুং ৱাদি বারাদাদদি মীশিমীনাগী ঈরাংশিং মখা তাখি। অমাঙঅতা থোক্লবা ঈশিংগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমজিন্নবা এরিয়াদুদা এক্সপার্টশিং চঙশিনবা ঙম্বগা লোয়ননা লাল অদু লোইশিন্নবগী এগ্রীমেন্ট অমা পুরক্লবগী ফীভমশিংগী মতাংদা খন্ন-নৈনখি।

তৌইগুম্বসুং হৌজিক ফাওবা দিল অমত্তা পুরকপা ঙমদ্রি অমসুং য়ুনাইটেদ নেসন্সনা চয়োল অসিগী অঙনবা শরুক্তা কেপিটেল অমসুং মসিগী অকোয়বদা লৈরিবা মফমশিংদা লৈবা মীওই মিলিয়ন ৫.৫ থক্লবা ঈশিং ফংদবগী খুদোংচাদবা মায়োক্লরক্লে হায়খিবনি।

## গনমেনশিংনা হজারা মাইনর ৮ হাৎখ্রে

কাবুল, জন্যুৱারী ০৭:
অফঘানিস্থানগী নোদর্ন প্রোভিন্স বাখলানদা মাইনরশিং ওইনা থবক তৌবা লৈবাক অসিগী মশিং য়ামজদবা হজারা কাঙলুপকী মীওই নিপান মশক খঙদবা গনমেনশিংনা হাৎখ্রে হায়না লোকেল গভর্ণমেন্ট ওফিসর অমনা ফোঙদোকখ্রে।



টালেহ ভা বারফাক দিষ্ট্রিক্টকী গভর্ণর ফাইজ মোহম্মদ অমিরিনা হায়খি, মীওই ৮ শিখ্রে, ৩ শোকখ্রে। মখোয় লোইনমক অফঘানিস্থানগী ময়ায়থংবা শরুক্তা লৈবা দেকুন্দি প্রোভিন্সতগী লাকখিবনি অমসুং মখোয় ইরাই নুমিৎতা গাড়ী অমদগী চীংথোক্লগা কাপখিবনি।

মহাক্না থৌদোক অদু থোক্লিবা দিষ্ট্রিক্ট অদুবু কন্ট্রোল তৌরিবা টালিবানবু থৌদোক্তুগী মরাল শীখি তৌইগুম্বসুং লালহৌবা গ্রুপ অসিনদি মখোয় চেন্নদে হায়খি।

‘মাইন অসিদা থবক তৌবশিং ঐখোয়গী পার্মিসন পায় অমসুং ঐখোয়গা মরী লৈনৈ’ হায়না টালিবানগী স্পোক্সমেন জাবিহুলা মুজাহিদনা হায়খি। ‘মখোয়না প্রোব্লেম অমত্তা থোকহনখিবা লৈতে।’

টালিবানগী স্পোক্সমেন অসিনা মীহাৎশিং অদুগীদমক্তা ‘অর্বাকিশিং’ নৎত্রগা এরিয়া অদুগী লোকেল মিলিস্যাশিংগী মেম্বরশিংবু ওইনা মরাল শীখি।

হজারাশিং অসি পার্সিয়ন লোল ঙাঙবা অয়াম্বনা সিয়াশিং ওইবা মাইনোরিটিনি। সুনিশিংনা মশিং য়াম্বা অফঘানিস্থানদা হজারাশিংবু তাথি-তাওইনা তৌবগী থৌদোকশিং মতম শাংনা থোক্তুনা লাকখি।

## য়ু এসকী মরিনশিং অফঘানিস্থানগী হেলমন্দদা অমুক হনগদৌরি

ৱাশিংটন, জন্যুৱারী ০৭ : অফঘান ফোর্সশিংবু ট্রেন তৌনবগী নেটোনা লুচিংবা মিসন অমদা মতেং পাংনবগীদমক্তা য়ু এসকী মরিন ৩০০ রোম হন্দক শাগৎপা হৌরকপদা (স্প্রীং) অফঘানিস্থানগী হেলমন্দ প্রোভিন্সতা চৎলগনি হায়না মরিনশিংদুনা ফোঙদোকখ্রে। মসিনা মরিনশিংবু হেলমন্দদা অমুক হল্লকহনগনি। নেটো ফোর্সশিংনা অফঘানিস্থানদগী ৱিঠদ্রো তৌখিবা অমসুং অফঘান ক্রুপশিংদা টালিবান থেংনবগী থবক শিন্নখিবদগী মখোয় কুমজা ২০১৪ দা লমদমদু থাদোকখিবনি।



কুমজা ২০০১ দা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা টেরর এটেকশিং চথুখিবা মতুংদা অফঘানিস্থানদা থাবা অহানবা য়ু এস ফোর্সশিংগী মরক্তা মখোয়সু য়াওখি। ওপিয়ম পুথোকপগীদমক্তা মমিং চৎলবা লমদম অমা ওইরিবা হেলমন্দদা মীওই লিশিং কয়া দিপ্লোইদ তৌখি। টালিবান মিলিটেন্টশিংগা মখোয়গা অকনবা মওংদা লান্থেংনখি।

থবক্কী মতম লোইরক্লবা প্রসিদেন্ট বারাক ওবামাগী এদমিনিষ্ট্রেসন্না অফঘানিস্থানগী য়ু এস মিলিটরি ফোর্স অয়াম্বা হৌজিক ফাওবসিদা ৱিঠদ্রো তৌখ্রগা ফোর্স মচা অমত্তমক লৈবাক্তুদা লৈহনবা য়াগনি হায়না থাজখিবনি।

তৌইগুম্বসুং লৈবাক অদুদা হৌজিকসু য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী মিলিটরি পার্সনেল ৮,৪০০ লৈরি অমসুং হেলমন্দদা হৌজিক অমুক মরিনশিংদু থাগদৌরি।

‘য়ু এস সেন্ট্রেল কম্মান্দ (সেন্টকোম) অমসুং অফঘানিস্থানদা লৈবা য়ু এস ফোর্সশিংনা হায়জরকপদগী নেটোনা লুচিংবা রিজোল্যুট সপ্পোর্ট মিসনবু শৌগৎপা ওইনা মরিন ৩০০ লোম কুমজা ২০১৭ কী স্প্রিংদা অফঘানিস্থানগী হেলমন্দ প্রোভিন্সতা থারগনি হায়না মরিন কোরগী ৱারোল অমনা হায়খি।

মরিনশিংনা অফঘান নেসনল আর্মিগী ২১৫শুবা কোর অমসুং ৫০৫শুবা জোন নেসনল পুলিসকী মরু ওইবা লিদরশিংবু ট্রেন তৌগনি অমসুং পাউতাক পীগনি হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তাখি।

‘অফঘান দিফেন্স অমসুং সিক্যুরিটি ফোর্সশিং পাউতাক পীবা অমসুং মতেং পাংবনা অফঘানশিংগা খুৎশম্নরগা থবক তৌমিন্নবদা ফংখিবশিংদু মাংহন্দনা থম্বদা মতেং ওইগনি।’ নৌনা মপাঙ্গল ফুদোরক্লিবা টালিবানগী মায়োক্তা অফঘান আর্মি অমসুং পুলিসনা লাঞ্জং চঙশিল্লিবনি। হৌখিবা দিসেম্বরগী অঙনবা শরুক্তা অফঘানিস্থানদা লৈবা য়ু এসকী চীফ অমসুং নেটোগী কম্মান্দর জেনরেল জোন নিকোলসন্না হায়খি মদুদি, লৈবাক অদুগী অপুনবা মীশিং মীওই মিলিয়ন ৩০ গী চাদা ৬৪ রোম কাবুলনা হকথেংননা কন্ট্রোল তৌরি। মদু কুমজা ২০১৬ কী অঙনবা শরুক্তা চাদা ৬৮ কন্ট্রোল তৌখিবদুদগী খরা হন্থরক্লিবনি।

হেলমন্দ প্রোভিন্সতা টালিবান কাঙবুশিং এক্টিভ ওই অমসুং মখোয়না ওপিয়ম ত্রাফিক্করশিংগী থবক্তা য়াওশিল্লি। ‘হেলমন্দদা লালহৌবশিংগা ক্রিমিনেল নেটৱার্কশিংগা শম্নবনা মখোয়বু থেংনবা হায়বসি অরুবা থবক অমা ওই’ হায়না মহাক্না মখা তাখি।

## ফ্লাইট এম ঐচ ৩৭০ : বেকগ্রাউন্দ চেকতা পেসেঞ্জরশিং, ক্রুদা চিংননিঙাই লৈরমদ্রে - ফ্রেঞ্চ প্রোব



পেরিস, জন্যুৱারী ০৭:
জন্যুৱারী ২০১৪ দা ঙক্লিংঙাই ওইবা মওং অমদা মাংখিবা মালেসিয়াগী এয়রলাইন্সকী ফ্লাইট এম ঐচ ৩৭০ দা তোংখিবা পেসেঞ্জরশিং অমসুং ক্রুগী বেকগ্রাউন্দ চেক অমা ফ্রান্সনা পাঙথোকপদা চিংনবা য়াবা অমত্তা থেংনখিদ্রে হায়না ফ্রান্সকী ৱাফমসিবু য়ানিংবা ছোর্সশিংনা ইরাই নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

ফ্লাইটতুদা তোংখিবা পেসেঞ্জরশিং অমসুং ক্রু ১২ দুগী মনুংদা ফ্রেঞ্চ নেসনল মরি য়াওখিবদগী ফ্রান্সনা প্লেন মাংখিবদুগী মতাংদা মখোয়গী ওইবা ইনভেষ্টিগেসন অমা চথুবা হৌখি।

ইনভেষ্টিগেটরশিং অমসুং য়েংশিল্লিবা মেজিষ্ট্রেট অহুমনা শগোলশেল নুমিৎতা থিজিল্লবদুগী প্রোগ্রাম খঙহন্নবা মীওই মরিদুগী মরীমতাশিংগা উনখি।

ফ্রান্সকী দোমেষ্টিক ইন্টলিজেন্স এজেন্সি দি জি এম আইনা পেসেঞ্জরশিং অমসুং ক্রুগী বেকগ্রাউন্দ চেক তৌবদা পুক্লিং থৌগৎনিংঙাই ওইবা অমত্তা থেংনখিদে হায়না মরী মতাশিংদুদা খঙহনখি হায়না ইনক্বারিদুগা নকশিন্নবা ছোর্সশিংনা ফোঙদোকখি।

নুপী অমসুং মচা অনী ফ্লাইটতুদা য়াওখিবা গেস্লেন ৱাত্রেলোসনা ৱাফমসি কনফার্ম তৌখ্রে। মখোয়না ঐখোয়দা থিজিনবদুদা করিমত্তা ফংদ্রে হায়রকখি হায়না ৱাত্রেলোসনা এ এফপিদা হায়খি।

ফ্লাইটতুদা য়াওবা ইরানিয়ন পেসেঞ্জর অনী অহুবা পাসপোর্টশিং পায়রম্মী হায়না মালেসিয়ন ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখিবা মতুংদা পেসেঞ্জরশিং অমসুং ক্রুগী মরমদা ৱাহং কয়া লাকখি।

তৌইগুম্বসুং ইন্টরপোলনা মখোয় য়ুরোপ য়ৌনবা চৎপা মাইগ্রেন্টশিং ওইরম্বা য়াবগী চাং য়াম্না ৱাংই হায়খি।

শগোলশেল নুমিৎকী মীফমদা, ফ্রেঞ্চ স্পেসিয়েলিষ্ট অমনা হৌখিবা সেপ্টেম্বরদা শেমখিবা ইন্টরিম রিপোর্ট অমগী ফাইনেল ভর্সনদু পীখি তৌইগুম্বসুং মদুদা থোইদোকপা অনৌবদি পনদে হায়না ৱাত্রেলোসকী উকিল মেরি দোজনা হায়খি।




## EMPLOYMENT NEWS

### Coal India Limited Recruitment 2017 – 1319 Management Trainees Vacancies – Last Date 03 February

**Coal India Limited Recruitment 2017**

Coal India Limited (CIL) invites application for the post of 1319 Management Trainees. Apply Online before 03 February 2017.

Advt. No. : 02/2017

**Job Details :**

Post Name : Management Trainee
No. of Vacancy : 1319 Posts
**Discipline Wise Vacancies :**
Mining : 191 Posts
Electrical : 198 Posts
Mechanical : 196 Posts
Civil : 100 Post
Chemical/ Mechanical (Coal Preparation) : 04 Posts
Electronics & Telecommunication : 08 Posts
Industrial Engineering : 12 Posts
Environment : 25 Posts
System/IT : 20 Posts
Geology : 76 Posts
Material Management : 44 Posts
Finance & Accounts : 257 Posts
Personnel & HR : 134 Posts
Sales & Marketing : 21 Posts
Rajbhasha : 07 Posts
Community Development : 03 Posts
Public Relation : 03 Posts
Legal : 20 Posts

**Eligibility Criteria for Coal India Limited Recruitment :**
Educational Qualification : B.E./B.Tech/AMIE/ B. Sc.(Engg.)/ICWA/CA/ Graduate/ Post Graduate Degree/ Diploma in relevant discipline with 60% marks.

Nationality : Indian
Age Limit : 30 years (As on 01.12.2016)
**Age Relaxation :**
For OBC-NCL Candidates : 3 years
For SC/ST Candidates : 5 years
For PWD Candidates : 10 years

**Job Location : All India**

**Application Fee :** General / OBC (NCL) candidates are required to pay application fee of Rs.1000/- through Online by using Debit Card/Credit Card & Net Banking. SC/ST/PH category candidates are exempted from application fee.

**How to Apply Coal India Limited Vacancy :** Interested candidates may apply Online throug website https://www.coalindia.in from 05.01.2017 to 03.02.2017.

**Important Dates to Remember :**
Starting Date For Submission of Online Application : 05.01.2017
Last Date For Submission of Online Application : 03.02.2017
Date of Computer Based Online Examination : 26.03.2017
**Important Links :**
Detail Advertisement Link : https://www.coalindia.in/Portals/13/PDF/Detailed_Advertisement_04012017.pdf
**Apply Online :** https://www.coalindia.in/career/en-us/CurrentOpening.aspx

### Export Inspection Council Of India Recruitment 2017 – 44 Technical Officer, Section Officer & Accounts Officer Vacancies – Last Date 10 February

**Export Inspection Council India Recruitment 2017**

Export Inspection Council of India invites applications for the post of 44 Technical Officer, Section Officer & Accounts Officer. Apply Online before 10 February 2017.

**Job Details :**
Post Name : Technical Officer
No. of Vacancy : 35 Posts
Pay Scale : Rs. 9300-34800/-
Grade Pay : Rs. 4200/-
Post Name : Section Officer
No. of Vacancy : 07 Posts
Pay Scale : Rs. 9300-34800/-
Grade Pay : Rs. 4600/-
Post Name : Accounts Officer
No. of Vacancy : 02 Posts
Pay Scale : Rs. 9300-34800/-
Grade Pay : Rs. 4600/-

**Eligibility Criteria or Export Inspection Council Recruitment :**
Educational Qualification :
For Technical Officer : Degree in Engineering / Technology Degree in Science or equivalent with 03 years' experience in inspection and/ or testing in the fields of Chemistry, Food Science & Technology, Fisheries, Veterinary Science and Computers / IT.
For Section Officer : Degree or equivalent with 5 years' experience in a Government/Semi-Government/ Autonomous Body/Private Organization of repute of which 2 years must be in supervisory capacity.
For Accounts Officer : Degree or equivalent with 5 years' experience in Accounts Section of a Government/ Semi-Government/ Autonomous Body/ Private organization of repute of which two years must be in a supervisory capacity and having knowledge of Government rules and procedures.

Nationality : Indian
Age Limit : 25 to 35 years as on 10.02.2017

**Job Location : All India**

**Application Fee:** Candidates have to pay Rs. 1000/- (for each post applied separately) through online. No fee for SC/ ST/ PH & Women candidates.

**How to Apply** Export Inspection Council Of India Vacancy : Interested Candidates may apply Online through the website http://www.eicindia.gov.in on or before 10.02.2017.

**Important Dates to Remember :**
Last Date For Submission Of Online Application : 10.02.2017
**Important Links :**
Detail Advertisement Link : http://www.eicindia.gov.in/Knowledge-Repository/Media-Room/PDF/Recruitment%20201602.pdf
**Apply Online :** http://recruitment.eiconline.in/JobOpenings.aspx